ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HL

The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

হুইয়েন লানপাউ

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী হৌনা নোং লেপ্তনা চুরকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোল লাইমনাইদা চীং নিংখায়রকপদা য়ুম মরি অমদি চর্চ অমা ননশিনখিবগী শক্তম

লামায় ১

তোংব্রম শামুঙৌনা ইবা *পূক্নিংগী নাচোম* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা নোহাখোলনা শীন্দুনা লাংজিং অচৌবা মমাঙ লৈরক্কী কম্যুনিটি হোলদা ফোঙবা

লামায় ৫

নুপীমচাশিং শোয়দনা মহৈ তমহনগদবনি হায়বা থৌশিলগী মখাদা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা সাইন্স সবজেক্টকী ওইনা সিট ১৫০ হেনগৎনবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা য়েংশিনবা

লামায় ১

প্রীটি সেক্রেট কম্পেনিনা পুথোকপা নুপীশিংতগী ওইবা ফিরোলশিং ফংহনগদবা প্রীটি সেক্রেটসকী শো রুম অমা ইম্ফালগী থাঙ্গাল বজারদা হাংদোকপা

লামায় ১

Vol. 41, Issue No.106 নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ১৬ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, July 10, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬২.২৭
দীজল : লিটরদা লুপা ৫২.৯৩

প্রীটি সেক্রেট্স শো রুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ : মমিং লৈরবা প্রীটি সেক্রেট কম্পেনিনা পুথোকপা নুপীশিংতগী ওইবা ফিরোলশিং ফংহনগদবা প্রীটি সেক্রেটসকী শো রুম অমা ঙসি ইম্ফালগী থাঙ্গাল বজারদা হাংদোকখ্রে। প্রীটি সেক্রেটসকী শো রুম অদু মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী দিরেক্টর আর কে মেমীনা রিবন কক্লুনা ঙসি ইম্ফালগী থঙ্গাল বজারদা নৌনা হাংদোখিবনি। প্রীটি সেক্রেটসকী শো রুম অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরদনা ইহান হানবা ওইনা হাংদোকপনি। হায়রিবা শো রুম অসিদা নুপীশিংগী তোঙান তোঙানবা দিজাইন তৌরগা ফিরোল, নাইট ৱেয়র অমদি স্বিম ৱেয়রনচিংবা মখল কয়াগী ফিজোলশিং ফংলি।

অঙাং অহুম ফাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯: শগোলমাং পুলিস ষ্টেটসনগী মনুং চনবা সিনাম ময়াই লৈকায়দা লৈবা চহী নৌরিবা নুপামচা অহুম ঙরাং নুংথিল পুং ৩ মুক তাবদা শকখঙদবা মীওই খরনা ফারগা পুখ্রে। মখোয়গী ইমুং-মনুংদা মীওইশিংনা পুলিসতা ৱাকৎলকপদা মখোয়গী মচাশিং অদু চহী ১২দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি হায়রি।

ষ্টুদেন্টস দে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ : এ বি ভী পিগী ৬৯শুবা মপোক নুমিৎ, নেসনল ষ্টুদেন্টস দেগী থৌরম ঙসি ককচীং মখা লৈকায়দা লৈবা গ্রেস কোটেজ একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিদকোগী চেয়রমেন ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম, এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রনচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩১.৫৮ °C	২৫.২৩ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩০.৬০ °C	২২.৬৮ °C
সেনাপতি	২৭.৩২ °C	২১.৩২ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২০.৪৮ °C	১৬.৬২ °C
মণিপুর	৩২.০৯ °C	১৬.৬২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪৩.৮৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Anouba district 7 semkhibadu handokpagi wafam leitrabadi UNCga wari sanabagi wahanthok leiribra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : JCILPSna yelhoumi kannabagi khongjang matam sangna leptuna leibagi thouongsi yaningbra?

Yes 16% No 84%

অস! লোইরেহে!

এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা ঐখোয়গী থবক লোইনা মুনখ্রে...!

ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ, ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯃꯨꯅꯈ꯭ꯔꯦ...!



ফরবনি পোখারগা লৈথোকউ...!

ꯐꯔꯕꯅꯤ ꯄꯣꯈꯥꯔꯒꯥ ꯂꯩꯊꯣꯛꯀꯎ...!

‘আই-এমগী মখল কয়াগী টেক্সনা পোৎকী মমলদা চৈথেং পীরে’

জি এস টি-লৌফম থোকখিদ্রবা টোল টেক্স আই এম সীনা মীয়ামদগী লৌরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

তোখায় তোখায়না লৌরম্বা টেক্স মখলশিং পুনশিল্লগা শেম্বা গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) থা অসিগী ১দগী লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনবা হৌখিবা মতুংদগী লৌফম থোকখিদ্রবা টোল টেক্স ইম্ফালগী মফম কয়ামরুমদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)না লৌহন্দুনা থল্লি।

অনৌবা টেক্স মখল অসিনা চহী ৭০ হেন্না ষ্টেট লৈঙাক অমসুং সেন্টরনা লৌরম্বা টেক্স মখল ১২ হেনবগী মহুৎ শিনখ্রবা মতুংদা হৌজিক হৌজিকসু ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী মফম কয়ামরুমদা টোল টেক্স/এন্ত্রি টেক্স লৌরি। অসিগুম্বা মখলগী টেক্স লৌবসি হৌজিক্তি লোনা য়াদ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা আই এম সীনা মরী লৈনবশিংদা টেক্স লৌদনবা খঙহনবা লৈত্রি হায়রি।

ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিং অমসুং নেসনল হায়ৱেশিংদা মীওই খরনা শাংলবা ৱা অমা থাদরগা লম্বীদা লাকপা লল্লোন-ইতিক্তা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পুরকপা গাড়ীশিং অমসুং পেসেঞ্জর সার্বিস তৌবা

গাড়ীশিংদগী লুপা ১০/১০ লৌরি। তশেংনমক্কীদি গাড়ীশিংদগী লুপা ১০/১০গী শেনফম টোল টেক্স ওইনা খোমগৎলিবা কাঙবু অদুনা থাগী নৎত্রগা চহীগী ওইনা টোল টেক্স লৌনবগীদমক অচৌবা শেনফম অমা মাঙজৌননা আই এম সীদা থীগৎখ্রবনি। শেনফম অদু থীগৎখিবা মতুং ইন্না মখোয়গী টোল টেক্স লৌবগী থবক চৎখবনি।

লৈবাক শিনবা থুংনা জি এস টি চৎনখ্রবা মতুংদগীদি অসিগুম্বা মখলগী টেক্সশিং অসি লৌফম থোক্তবনা মমাঙদা টোল টেক্স লৌনবগী অহেনবা শেনফম আই এম সীদা থীগৎখিবদু হন্দোকফম থোকপনি। মদু হন্দোক্লবদি টোল টেক্স খোমগৎলিবা থবক ফংদ্রবা নহারোলশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীফম থোকই হায়রি।

অমরোমদা, এন এস সী এন (আই-এম)না মখোয়গী মখল মখা কয়াগী টেক্সশিং জি এস টি চৎনখ্রবা মতুংদসু অদুমক লৌদুনা লৈবা মরম্না মণিপুরদা পোৎকী মমলদা চৈথেং পীরে। চাদা ০, ৫, ১২, ১৮ অমসুং চাদা ২৮গী চাংদা জি এস টি লৌগদবা পোৎলমশিংগী মমিং মথা ফোঙদুনা চৎনহনখ্রবসু হায়রিবা টেক্সশিং অসি নত্তবা লোনা য়াদবা টেক্স মখলময়াম অমা লৌরিবসি মরী লৈনবা লৈঙাক্লা উশিন্নদনা লৈরে।

ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পুশিল্লকপা পোৎলম অয়াম্বা আই-এমনা গুদস টেক্স, গোদাউন টেক্স, রোদ টেক্স হায়বনচিংবা মখল কয়াগী টেক্সশিং লৌরি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অমুক হন্দোকপগী ৱাফম লৈতে : সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

ওক্রম ইবোবীনা লূচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেম্লম্বদু অমুক হন্দোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈশিং ঈচাউ মায়োক্লরিবা মফমশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎতা মথক্কী ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায়খি, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ পোকখিবদু অমুক হন্দোকপা হায়বসি অনৌবা ঈরাং থোক্লবা শীনবগা মান্নগনি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিং খূদিংমক্লা য়ানগদবা মওং য়েংলগা শেমগনি। চীংমী লূচিংবশিংগী ৱা তাগনি।

মরক অসিদা, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)গা মায়কৈ অহুমগী ৱারী শাননবা মতম হয়েং লেপ্পলম্বদু মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। ট্রাইপর্টাইট টোক য়ৈথোকপগী চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু ৱারী শানবদুদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌগদবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ খুদোংচাদবা খরদগী য়াওবা ঙম্লোইদৌরে হায়না খঙহল্লকপদগীনি। ৱারী শাবগী মতম অথুবা মতমদা লেপ্পবা য়াই হায়রি।

অদুমকপু য়ু এন সীনদি মমাঙগী লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেম্লম্বদু হন্দোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। দিমান্দ অদুগীদমক নুমিৎ ১৩৯নি ইকনমিক ব্লোকেদ চথখি। মতম শাংনা কৈশুমশঙদা লৈরুরবা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবদু চৎনহল্লোইদবনি হায়বা দিমান্দ অসি য়ু এন সীগী এজেন্দানি। মসি নত্তবা হীরম অমত্তগা লৈঙাক্লা য়াশিন্নবা তৌরোই। মসিগীদমক মখা তানা কেম্পেন চথখিগনি। করিগুম্বা মখোয়গী দিমান্দ অসি লৈঙাক্লা পীরোই হায়রগদি অমুক হন্না ইকনমিক ব্লোকেদ চথগনি।

মরক অসিদা, ষ্টেট অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী নোং চুরকখিবনা মরম ওইরদুনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরবা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা চীফ মিনিষ্টরনা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ওফিসল কয়াগা লোয়ননা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফম কয়াদা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখি। ওফিসলশিংদা অথুবা মতমদা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংগী অৱাবা তারবা মীওইশিংনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা খঙহনখি।

খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা ঈশিং ঈচাউগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লবা মতুংদা ষ্টেট লৈঙাক্কী...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

কোতলেন্দ অমসুং সিনাম খুলগী মরক্তা লম্বী নমথখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মণিপুরদা নোং লেপ্তনা চুবদগী মণিপুরগী অনীশুবা লাইফলাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱে-৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফিট ১০০ রোম শাংনা কোটলেন্দ অমসুং সিনাম খুল অনীগী মরক্তা নমথখ্রে।

লম্বী নমথখিবা অদুনা মরম ওইরদুনা লাইট ভেহিকল নত্তনা ট্রক অমদি বসনচিংবা হেভি ভেহিকলশিং মফমদু লান্দুনা চৎপা য়াখিদ্রে। পোৎচৈ পুদুনা লাকপা ট্রক কয়ামরুম লম্বী অসিদা পন্দুনা লৈরি। লম্বী নমথখিবদগী মীয়ামগী চথোক চৎশিন্দা থোক্লিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা খুদক্তা ষ্টেটকী পি দব্লিয়ু দিগী লমজিং মখাদা নৌনা লম্বী কক্পা হৌখ্রে। নুমিৎ নীনিগী মতুংদা লম্বী অসি অমুক ফাওরবা য়াই হায়রি।

ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী মফম কয়াদসু চীং নিংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লি। নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবনা লম্বী অয়াম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাঙ্গোল লাইমনাইদা চীং নিংখায়রকপদা য়ামদ্রবদা য়ুম মরি অমসুং চর্চ অমা অমাঙ-অতা থোকখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপন য়াওখিদে হায়রি।

ও নবকিশ্বরগী ভোল্যুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৈঙাক্লা অয়াবা পীখ্রে

সী এস শীন্দোকপগী কৈথেল নুপীশিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে

ꯁꯦꯝꯅ꯭ꯕ ꯁꯄ꯭ꯅ
মণিপুরগী Chief Secretary
OINAM NABAKISHORE SINGH (IAS)
থবক্তগী Voluntary Retirement লৌথোকপসু য়ারোই।
Retirement য়াথিবদ অয়াবা পীবা য়ারোই॥

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা ওইনাম নবকিশ্বরনা ভোল্যুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌজরগে হায়না পীশিনখিবা চেরোল অদু মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

সঞ্জেনথোংদা লৈবা মশাগী কার্টরদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা হায়খি, ঐহাক্লা সার্ভিস তৌরম্বদগী ভোল্যুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌজরগে হায়না মণিপুর লৈঙাক্তা পীশিনখিবা চেরোল অদু অয়াবা পীরে হায়না ঙসি খঙহল্লক্লে। লৈঙাক্কী ওফিসার অমনা ভোল্যুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌগে হায়রবদি হায়রিবা ওফিসর অদুগী মথক্তা ভিজিলেন্সকী কেস, দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি নৎত্রগা সস্পেন্দনচিংবা তৌবা লৈব্রা হায়না ভেরিফাইদ তৌনৈ। অদুবু হায়রিবশিং অসিদা চেন্নদ্রে হায়দুনা ভলন্টিরি রিটয়ারমেন্ট তৌবগী অয়াবা অসি লৈঙাক্লা পীবিরকপনি খল্লি।

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা ঐহাক কুমজা ২০১৫ গী ওক্টোবর ১ দা থৌ পুবা হৌখি। চীফ সেক্রেটরিনা এম দি এসকী...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সিট ১৫০ হেনগৎলগনি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী হৌজিক লৈরিবা সিট মশীং অসিগী মথক্তা সিট ১৫০ হেনগৎলগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ঙসি টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সোসল সার্বিসতা শরুক য়াখি। সোসল সার্বিস অদুদা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়খি, টি জিগী সিট মশীং হেনগৎহন্নবা ফিরেপ লৌরক্লিবা অসি মহৈরোয়শিং অমদি মহৈরোয়শিংগী অহল-লমনগী য়েংলগা লৌরকখিবা ফিরেপনি। থা খূদিংগী মহৈলোয়শঙ অমমমদা চত্তুনা য়েংশিন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক লৌখৎলক্লি। টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ক্লাসরুমশিং, হোষ্টেল অমদি লেবোরেটরিগী ফীভমসু ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা য়েংশিনখি।

স্কুল অসিগী লেবোরেটরিগী ফীভম ফগৎহন্নবা অমদি গর্লস হোষ্টেল শেমজিন-শাজিনবগী থবক অথুবদা পায়খৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, লৈঙাক্কী হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মহৈরোয় মশীং য়াম্না মহৈ তম্বা লাক্লরিবা অসি য়াম্না অফবা অমনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মতিক চাবা ওজা কয়া লৈরিবনি। ওজাশিংনা কথোকপগা লোয়ননা হেন্না কন্না ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মীওইবগী শৰূ-পোলাং ১ ফংলে, মীওই অনীনা তুরেলদা লুপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

ইরিল তুরেল ঈশিং কংথখ্রবা মতুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সগোলমাঙ খেৱা কম্পেনি মনাক্তা লৈবা খোইজুদা শৰূ-পোলাং অমা ফংলে। সেকমাই তুরেলদা মীওই অনী লুপখিবদগী থিবা ফংদ্রে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, সগোলমাঙ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সগোলমাঙ খেৱা কম্পেনি মনাক্তা লৈবা খোইজুগী ইরিল তুরেল মপানদা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা পুমথরবা মীওইবগী শৰূ-পোলাং অমা ফংলে। শৰূ-পোলাং অদু ঙসি লৈকায়গী মীওইশিংনা হান্না থেংনরকপদগী পুসিলতা পাউ পীরকখি। মতুংদা সগোলমাঙ পুলিসকী টিম অমা চৎলগা নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা লৌখৎখ্রে।

শৰূ-পোলাং অদুগী য়েৎথংবা পাম্বোমদা য়োৎ অনী অমসু হান্না শৰূ তেকপগী ফুমদুনা য়াওরম্মী। শৰূ-পোলাং অদু মশক খঙদোক্লবা পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

মরকসিদা, সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাই তুরেলদা থা অসিগী ৭কী নুংথিল পুং ২ দগী ৩ ফাওবগী মরক্তা তুরেলদা লুপখিবা মীওই অনী ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

লুপা লাখ ১৬.২৫ রোমগী হেরোইন ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি দব্লিয়ু কসরগী মীৎয়েং মখাদা দি এস পি রোনি ময়েংবমনা লুচিংবা নার্কোটিক ও সী, পি জোন য়াওবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা ন্যু চেক্কোন ক্রোসিংদা ওটোরিক্সো অমদা তোংলকপা নুপা অমদগী হেরোইন পাউদর গ্রাম ১০৬ রোম ফারে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কবিব কেনা পাউমীশিংদা হায়খি, চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্টকী দি এস পি (কার) অমদি নার্কোটিক পুলিসকী ও সী, পি জোন য়াওবা টিম অমনা ন্যু চেক্কোন ক্রোসিংদা অচৎ-অওক চেক তৌবদা ওটোরিক্সো অমদা লাকপা নুপা অমা পোৎকা কোন্ননা ফাখি। মাঙোন্দগী হেরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ১০৬ ফংবা ঙমখি।

ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা ঐচ দেবিদ কমলিয়ন মাঙ (৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা গিঞ্জিয়ালাং কৌই। মহাক সিংহাটকী সিন ভেঙদগী লাক্লগা হৌজিক্লা ন্যু চেক্কোনগী ত্রাইবেল কোলোনিদা লৈবনি হায়রি।

মহাক্লা য়াম্না হৈ-শিংনা হেরোইন পাউদর অদু জে বি কেকী স্পিকর অনীগী মনুংদা হাপ্লগা পুরম্বনি । মঙোন্দগী ফারবা হেরোইন পাউদর অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ১৬,২৫,০০০ রোমগী ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা সনা ফার্মাসি হায়না খঙনবা দুকান অমা ফক্কায়রগা পোৎ হুরান্নবা হোৎনরম্বা নুপা অমা ফারে।

ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০ রোম তাবদা থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা সনা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

নাগালেন্দগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস হেন্না লুশিল্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স ওফ নাগালেন্দ (দি এ এন) গভর্ণমেন্টকী মপুং ওইবা পোলিটিকেল পার্টি ওইরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমুক্তা হেন্না লুশিল্লক্লে।

চীফ মিনিষ্টর ডা. শুরোজেলি লিজিতসুগী লৈঙাক্তা য়াওরম্বা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ১০ ঙসি মফম লৌথোকখ্রে। মফম লৌথোকপদুদা এন পি এফকী মকোক থোংবা লূচিংবা লেজিসলেটর মরি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা কারক্লগা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরিবা তরুক য়াওরি।

অমরোমদা, অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্মনবা দিমান্দ তৌরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা লূচিংবা এন পি এফকী কাঙবু অমনা চীফ মিনিষ্টর ডা. শুরোজেলি লিজিতসু পার্টিদগী তাম্থোকখ্রে।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা গভর্নর পি বি অচার্য্যদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা য়াথং পীবিনবা হায়জখ্রবসু গভর্নরদি ষ্টেট অসিদা লৈতবা মরম্না চপ চাবা পাউখুম ফংবা ঙমদ্রি। অদুমকপু ওইরক্লিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিগী গভর্নর নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মহারাষ্ট্রদগী কোহিমাদা থুংলবা য়াই হায়না পানরি। টি আর জেলিয়াংনা মহাকপু এন পি এফকী এম এল এ ৩৩ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট লেজিসলেষ্টর তরেৎনা মহাকপু শৌগৎলি হায়না দিমান্দ তৌরি। সিট ৬০ লৈবা নাগালেন্দ এসেমব্লিদা মহাক য়াওরগা পুন্না এম এল এ ৪১ লৈ হায়না গভর্নরদা ইখিবা চেরোল অদুদা পল্লি।

নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা টি আর জেলিয়াংবু চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর (ফাইনান্স) হাপখিবদু মফম লৌথোক্লে অমসুং নুকলোটোসিবুসু চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজরগী ফমদগী লৌথোক্লে হায়না খঙহনখিবা লৈখ্রে।

এন পি এফকী দিসিপ্লিনরি এক্সন কম্মিটিনা এম এল এ ১০সু পার্টি অসিগী প্রাইমারী মেম্বরশিপ্পুগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। সস্পেন্দ তৌখ্রবা মেম্বর ১০ অদুগী মনুংদা হোম মিনিষ্টর য়েন্থুঙো পাতোন, পাৱর মিনিষ্টর কিপিলি সাংতম, নেসনল হায়ৱে অমসুং পোলিটিকেল এফেয়র্স মিনিষ্টর জি কাইতো আইয়ে, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর ইমকোং এল ইনচেন য়াওরি।

টি আর জেলিয়াংনা লূচিংবা লেজিসলেটর ৪১ অসামগী কজিরঙ্গ নেসনল পার্কতা লৈবা বোর্গোস রিজোর্টতা কেম্প তৌদুনা লৈরি। মখোয় ৪১ মক্লা ষ্টেট অসিগী গভর্নর হল্লকপা ঙাইরি।

টি আর জেলিয়াংগী কেম্পতা মাঙজিন থানা শরুক য়ারিবা ইমকোং এল ইনচেননা পাউমীশিংদা হায়খি, মখোয় ৪১ করিমত্তা কায়দনা লৈরি। হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা ডা. শুরোজেলি লিজিতসু থা অসিগী ২৫দা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

LOAN AVAILABLE

ইম্ফ ফাইনান্স

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অৱাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleubung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/15/6-19/7